# শা-ষণশিংবু তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং

ডাঃ সরাংথেম জেম্মারাণী

*শা-ষণ* লোয়বীরিবা ইচিন ইনাওশিংনদি ইশানা লোইজরিবা শা-ষণশিংসি মচিঞ্জাক নীংথিনা চাজরবসু নোয়বদি ইহেন হেনগৎতে হায়বগী ৱাখলসি অয়াম্বনি। ফনা চারগসু ময়াঙ কংদুনা অদুম লৈরগদি ঐখোয়না তীল চেনবগী খুদম য়াম্না চাউনা উবা ফংই। শা-ষণগী হকচাংদা লৈরিবা তীলশিংসি অনী থোক্না খায়দোকপা য়াই।

ক) হকচাং মনুংদা লৈবা তীল হায়বদি এন্দোপেরেসাইট।

খ) হকচাংগী মপান্দা হায়বদি উনশাদা লৈরিবা হীক, হুইরি, মো, মানচিংবসিনা এক্টোপেরেসাইট হায়না খঙনৈ।

চাউনা য়েংলকপদা এন্দোপেরেসাইটশিংসি মখল অহুম থোক্না খায়দোকপা য়াই।


ক) ট্রিমাটোড খ) নিমাটোড গ) সেষ্টোডনি।

করিগুম্বা মতমদা শা-ষণশিংদা মচিঞ্জাক চাফম থোকপা চাংগা চাউদম থিনবা, ময়াঙ য়াম্না কণ্ডশিল্লকপা, মথী অপেৎপা ফাইরকপা অমদি মনম নমথীবা, মরক মরক্তা অমাংবদা ঈ য়াওবা থেংনরগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি হোস্পিটালদা চৎতুনা অয়ূক্তা ফাইবা অমাঙবদু খরা লৌবিরগা করম্বা তীল লৈবগে হায়বদু চাংয়েং তৌথোকপীগদবনি।

মথক্তা থমজরিবা ট্রিমাটোড, নিমাটোড অমদি সেষ্টোডনা থোকহল্লিবা তীলনাগী লায়ওংশিংসি য়াম্মী। খরা মরুওইবা অমদি য়াম্না তোয়না থেংনবা খরা মখাদা থমজগেঃ-

নিমাটোডনা থোকহনবা এস্কারিঅসিস অসি য়াম্না কম্মন ওই। মপূং ফারবা এস্কারিঅসিসসি ওক্কী অমাংবদসু য়াওরকই। মসি মনীং মমাং অনীমক পীকশিল্লগা তুমতক তৌবা অঙৌবা মচুগী তীলনি। মসি চাউরাক্না ইঞ্চি ২২-২৪ মুক শাংই। তীল মরুম য়াওরবা অমাংবনা মোৎহল্লবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিংদু চারু থক্লুরগা অমদি মপীগী মশাদা পক্লম্বা তীল মরুমশিংদু শা-ষণশিংনা লেকপদা য়াওখিবা নৎত্রগা মচাশিংনা মখোম থকপদা লায়নাসি শন্দোরকই।

লায়না অসিগী লায়েংদি তীল মচাশিংনা হকচাং মনুংদা ফাওদুনা চৎপদা য়ারি-য়াখোঙ অমসুং মনাক নকপা শাদোং য়ৌরকপদা ওকশিংনা ময়া কদ্রক কদ্রক শায়রকই। ফিরাক য়ৌরকপদা ফিরাক থুগায়রগা চাবা তুমহন্দ। থবোম্বী থুগায়রগা লায়হৌগা লোয়ননা লোক কংখু খুরকই। মপী ফারবা তীলশিংগী মশীং য়াম্না লৈরগদি মশিঙ্গাগী উতোং ফুন্দুনা অমসুং থীরিন শোকপদগী থীবেৎ ফায়রকই অমসুং উনশাদা নাপু মচু কারক্তুনা জোন্তিস নাহল্লকই। করিগুম্বদা থীরিন্দু চাফৎতুনা অমদি তীলশিংদু হুত্তোকপদগী হোদুনা ওকশিং শিবা ফাওবা য়াওরকই। মসিদসু নত্তনা হাতম ওইরিবা শা-ষণশিংগী থীরিন্দা তীলশিংনা মরৈ মরৈ য়েৎশিন তাশিন্দুনা ফুনবদগী মবুক কংখৎলগা শিবা ফাওবসু য়াওরকই।









চহী য়ামশিল্লক্লবা শা-ষণশিংদদি লায়ওংসি শেংনা উবা ফংদে অদুম ওইনমক তীল অসিনবু শোক্লবদি চাউজন থিহল্লি অমসুং মশা নোয়গন্দে। লোয়ননা অতোপ্পা লায়নাশিং চঙলকপদা মতেং পাঙই। তীল চেনবা শা-ষণশিংদগী ফাইরকপা তীল মচাশিং অমদি লৈমায় মথক্তা মরুমদগী ওনবা তীল মচাশিংসি ঈশিং তুংবা মফমদা হিংদুনা লৈ। অসিগুম্বা ফৎত্রবা পাৎথী কোমথী নৎত্রগা খোঙবান লুকপান্দা চৎলুবদগী তীল য়াম্না থুনা চেল্লি। লায়হৌ লৈতনা মশা নীকপা য়াওরকই।

য়াম্না তোয়না থেংনবা ট্রিমাটোডনা থোকহনবা তীলনাসি ফেশিওলসিসনি। তীলসিগী মরুমশিংদু শা-ষণগী মশিঙ্গাগী মহীগা লোয়ননা ডিয়ুদিনমদা চঙলগা চাকখাওদগী থীরিন্দা থোরক্তুনা মথীদা য়াওরকই। মসিগী তীল মহাসি থরোইদা চঙখ্রগা ষ্টেজ অমদগী অমদা হোংলক্তুনা থরোইদগী মপান থোরকই অমদি ঈশিংদা ইরোইদুনা লাক্লগা ঈশিংদা নৎত্রগা কংফালদা হৌবা নাপী মনাগী মপ্রামদা চঙদুনা কুয়োম অমা য়োমশিল্লগা হীংদুনা লৈরকই। মসিদা ষ্টেজ অমা লাক্তুনা নাপীসি চাশিনখিবদগী চাকখাও, থীরিনগী মপান্দা হুৎলগা মবুক্কী অহাংবা মফমদা য়ৌরক্লগা মদুদগী ফীরাক য়ৌরক্তুনা হুৎলগা ফীরাক মনুংদা চঙলগা লৈ। অসিদগী অমুক মশীঙ্গা উতোং মনুংদা চঙলকই। ফীরাক শোকহন্দুনা অমদি মশীঙ্গাগী উতোং ফুনগৎহনবনা মরম ওইদুনা চাবা তুমহন্দবা মবুক চাওথোকপা, মখৌদা মহীগী ইনিল য়াওনা পোমখৎহনবা, মথী অপেৎপা ফায়রকপা, চাউজন থীবা, মপাঙ্গল শোন্থহনবনচিংবা লায়ওং কয়াসি উবা ফংই।

শিষ্টোড (টেপ ৱার্ম) না থোকহনবা য়াম্না কম্মন ওইবা লায়না হায়রগদি মীজলি পোকনি। হায়রিবা টেপ ৱার্মসি মীওইবদসু লৈ। করিগুম্বা কান্দা অমাঙবদা টেপ ৱার্মসিগী মরুমশীং অমদি গ্রেডিড সেগমেন্টশিং য়াওরকই। হায়রিবা সেগমেন্ট নৎত্রগা মরুমসি ওক্লা চাবা থকপদা য়াওখিবদগী চাকখাও মনুংদা টেপ ৱার্ম মহাদু য়াওরকই। হায়রিবা টেপ ৱার্মসি হুক পাল্লি। হুক্কী মতেংনা চাকখাও অমসুং থীরিনগী মপান ফাওদোক্তুনা লাক্লগা ঈ উতোংদা চঙলক্তুনা ফীরাক, থবোম্বী, হকচাংগী ঈগী ঈচেলদা য়াওরকই। ঈচেলদা য়াওরিঙৈদা টেপ ৱার্ম মহাদু শাদোংদা লৈহৌই। মসি খরা হেন্না লেংওনবা মফমশিং হায়বদি মরৈ, মণ্ডক, লেংবান, মফৈ অমসুং থম্মোয়গী শাদোংশিংসি টেপ ৱার্ম মহাশিংনা খরা হেন্না পামই। নুমিৎ ৮ নি মুক্কী মনুংদা শাদোং মনুংদা টেপ ৱার্মগী মহাগী হুকশিং মাঙখি। লোয়ননা য়েরুম মওং মানবা মনুংদা মহী য়াওবা মপ্রামদা টেপ ৱার্মগী মকোক পক্তুনা য়াওবা টেপ ৱার্মগী লরভেল ষ্টেজ শেম্বা হৌরকই। লরভেল ষ্টেজনা লৈরিবসি শাংতক তৌরগা মতুম তাই। মসিগী মনুংদা মপান নপ্না তিংখংগুম্না মচি পাল্লবা মকোক অমা য়াওই। মখোয়সি অহিংদা ওক্কী শাদোংদা থা ৮ ফাওবা হিংদুনা লৈবা ঙমই। মসি হুই অমদি মীওইবদসু ওক্তা লৈরিবা অসিগুম্না লৈ।

শা-ষণ লোইবিরিবা ইচিন ইনাওশিংনা মশানা লোইজরিবা শাশিংদু তীল লৈরম্মনি হায়বগী ৱাখলদা তীল হীদাক মখল অমা হেক্তা হীদাক য়োনফমদগী লৈরগা পীজরগদি তীল চেনবগী অৱাবসি কোকপা ঙল্লোই। তীল খরা মখৈদি হাৎপা ঙল্লগসু তীল খুদিংগী মাগী মাগী চান্নবা হীদাক লৈবনা কাঙলোন চুম্না তীল হীদাক থাবিবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মরম অসিনা শা-ষণশিংদা করম্বা তীল লৈবগে হায়বদু খঙদোকপা দরকার লৈ। মসিগী ফেসিলিটিসি সঞ্জেনথোংদা লৈরিবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ডি আই লেপতা নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্টকী ভেটিরিনরি হোস্পিটালদা চৎপীরগা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মথীদু লৌবিরগা করম্বা তীল লৈবগে হায়বদু য়েংথোকপীরবা মতুংদা অখণ্ড অহৈশিংগা তান্নবীরগা তীল হীদাক থাদোকপীদুনা হেন্না মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনবীগনি।

**তীল চেনবগী চাং হন্থনবা মরুওইবা উপায়শিং ঃ**

- মকোন শাবা মতমদা চাফম-থকফম অমদি কুনফম তূমফমগা মথী-ময়ুং ফায়ফম, হানফম কাগা তিন্নহল্লোইদবনি। মথী ময়ুং ফায়ফম, হানফম কাদু নুংশা মঙাল অমদি মৈশা মরাং কায়না ফংহনগদবনি। মচিঞ্জাক চাফম থকফম বাগোসশিংদু লৈমায়দগী ৱাংহন্দুনা মথী ময়ুংগা তোৎনা তিন্নহল্লোইদবনি।

- মতম চানা নোংমদা মকোনগী মথী ময়ুং শিত্তোক নাম্থোক্তুনা য়ারিবমখৈ ঈশিংনা চামথোকপীগনি। হাপ্তা খুদিংগী ঈশিং অশৌবদা সুধা হাপ্লগা লৈমায়দু শেংনা চামথোক তৈথোকপীগনি।

- অনাবা খুদিংমক তোঙান্না খাইদোক্লগা থম্বগা লোয়ননা অনাবগী মথী ময়ুং তোঙান্না পৈশিন্দুনা থম্বীগদবনি। ইঙ্খোলনচিংবদা ষম্থি ষণয়ুং হার ওইনা শীজিন্নবা তারগদি নাদবা ওক্কী মথী ময়ুংখক্তা খন্দুনা শীজিন্নগদবনি। হেন্না বিজ্ঞানিক ওইবা মওংদা বাইওগ্যাস প্লানদগী মীথেন গ্যাস লৌথোকখ্রবা মতুংদা পুথোরকপা মথী ময়ুংগী বাইপ্রদক্টপু হার ওইনা শীজিন্নরবদি লায়না তীলনা শন্দোরক্কদবদগী কনবা ঙমই।

- অনৌবা পুশিল্লকপা শা-ষণ খুদিংমক তোঙান্না থম্লগা য়োকপীগনি। ময়ামগী মরক্তা পুশিনগদবা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২ নিগী মমাঙদা তীল হীদাক থাদোক্কদবনি। লোয়ননা ঈশিং অশাবদা সুধা হাপ্লগা ইরুজথোকপীগনি।

- ভর্গ পুবী শা-ষণ খুদিংমক মচা পোক্কদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈদা তীল হীদাক থাদোকপীগনি। লোয়ননা মথংগী নুমিৎতা ঈশিং অশাবদা সুধা হাপ্লগা শেংনা ইরুজথোক্লবা মতুংদা তরু তনান্না থম্লবা মচা পোকফম মকোন্দা পুশিনগদবনি।

-মচা খায়নরবা মপীশিংসু মথংগী গর্ভ পুদ্রিঙৈদা তীল হীদাক থাদোকপীগনি।

- শঞ্জাবুংগা শম্নবা পুখ্রি খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপী-শিংবী শা-ষণদা পীজবীরোইদবনি। শজিক চাফম অমদি ওকশিংগী শান্নবুংসি থা ৩/৩ গী ওইনা হোংগদবনি।

- নীংশিংবীগদবা অমনা তীল হীদাক থাদ্রিঙৈদা মনাক নকপদা ভেটিরিনরি ডোক্তরগা তানবীদুনা কাঙলোন চুম্না থাবীগনি। অসুম্না তৌবিরগদি হেন্না মশা মউ ফদুনা পোৎথোক হেন্না পুথোকপগা লোয়ননা ইনকমসু হেনগৎকনি।

# ঙা য়োকপগী কেলেন্দর

ডাঃ য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ

*ঙা* য়োকপীগে খল্লবদি ঙা য়োকপগী কেলেন্দর হায়বদি করম্বা মতমদা করি তৌগদৌবনো হায়বদু হান্না মুন্না খনবীগদবনি। ঙা য়োকপীরীবা মীওই অয়াম্বনা প্লান্নিং হান্না তৌহৌদবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনা করম্বা মতমদা ঙা য়োক্কদবনো অমদি করম্বা মতমদা ঙা ফাগদবনো হায়বদু মুন্না খন্থবীগদবনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদদি থা তরুক অমদি ইংই অদুগা থা তরুক অমদি খরা শাই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ খরা শারিঙৈদা ঙা চাউহননবা হোৎনবীগদবনি। ঐখোয়না য়োক্লরিবা ঙা অয়াম্বনা অশাবা মফমদা হৈনবা ঙানি। অহিংবা মফমদা হৈনবা ঙাসু লৈতবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী ওইনদি অশাবা মফমদা হৈনবা ঙানা মপূং ওইনা য়োকনবনিনা অশাবা মফমদা হৈনবা ঙাশিংগী ওইনা নৈনবনা খরা হেন্না মরুওই।

চহী অমগী ওইনা ঙা য়োকপগীদমক্তা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং মখাদা থমজগে।

(১) মার্চ থাদগী মে থা ফাওবদা তৌগদৌবা থৌরমশিং ঃ-

- মরুওইনা পুখ্রি শেমফম খন্দোকপা অমদি পুখ্রি শেম শাবা।

- অনৌবা পুখ্রি তৌবা নৎত্রগা অরিবা পুখ্রিশিং শেম শাবা।

- পুখ্রিগী পাক চাউবা অসি পরি অমগী তরাথোকপগী অমদগী পরি অমা ফাওবা চাউবা ওইগদবনি।

- দরকার ওইরবদি কংহনবীগদবনি।

- পুখ্রিদা হৌবা নাপী-শিংবী শেংদোকপীগদবনি।

- ঙা চাবা ঙাশিং মরুওইনা পোরোম, ঙামুনচিংবা ফাদোকপীগদবনি।

- শুনু কিলো ৩০০ দগী ৫০০ ফাওবা পরি অমা পাকপা অদুগা ঈশিংগী অরুবনা মিটর অমা ওইবা মফমদা চাইথোকপীগদবনি।

- ঈশিং চনবীগদবনি।

- লৈহাও লৈহননবগীদমক্তা শন্থি কিলোগ্রাম ১২০০০ পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা চাইবীগদবনি।

- পুখ্রিদা লৈবা তীল হাৎতোকপীগদবনি।

(২) এপ্রিল থাদগী মে থা ফাওবদা পাঙথোকপীগদবা থৌরমশিং ঃ-

- মরুওইনা ঙা থাদবীগদবনি।

- ঙা থাদদ্রিঙৈদা মরুওইনা করম্বা ঙা থাদবীগদগে হায়বদু মুন্না খনবীগদবনি। কটলা, শিলভর কার্প, রৌ, নাপী চাবী, ম্রিগল অমসুং পুকলাওবী পুন্না য়োকপীবা য়াই।

- থাদবীগদৌরিবা ঙা অদু মিলিমিটর ৪১ দগী ১০০ ফাওবা ওইগদবনি। মসিদগী হেন্না চাউবা থাদবীবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না পাঙথোকপীগদৌরিবা খূৎয়োক্কী মখা পোল্লি।


- য়োকপীগদবা ঙাগী মশীংনা ১০০০০ নি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না পাঙথোক্কদৌরিবা থৌওংগী মতুংইন্না মসিদগী হেনবা অমসুং তাবসু য়াই।

- পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা হায়বদি কটলা অমদি শিলভর কাপকী অপূনবা মশীংনা পুখ্রিদুদা থাদগদবা অপূনবা ঙা মশিংগী চাদা ৩০ ওইগদবনি।

- পুখ্রিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা হায়বদি রৌ অমসুং নাপী চাবীগী মশিংসু পুখ্রিদুদা থাদগদবা অপূনবা ঙাগী মশিংগী চাদা ৩০ ওইগদবনি অদুগা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙা হায়বদি পুকলাওবী অমদি ম্রিগলনা পুখ্রিদা য়োক্কদবা ঙাগী অপূনবা মশিংগী চাদা ৪০ ওইগদবনি।







- থাদগদৌরিবা ঙা মচাশিংদা মহিক-মতাই য়াওরক্লম্লবসু হাৎনবগীদমক পোটাসিয়ম পরমেগনেট কিলোগ্রাম অমা পরি অমা চাওবা অদুগা মিটর অমা লুবা পুখ্রিদা চাইথোকপীগনি।

- ঙা মচা পুখ্রিদা থাদদ্রিঙৈদা চেরং খাও হাংদোক্ত্রিঙৈদা ঙা থাদগদৌবা পুখ্রিদা পুংখাই অমা থম্বীদুনা চেরং খাওদা য়াওরিবা ঈশিং অমদি পুখ্রিগী ঈশিংগী অশাবগা মান্নহনগদবনি। ঙা মচা থাদবদি অয়ুক ঙল্লিঙৈ মতমদা থাদবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

(৩) এপ্রিল থাদগী মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং ঃ-

- মরুওইনা পুখ্রিগী ঈশিং ফনা থম্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি।

- পুখ্রিগী ঈশিংগী মচু শংবান্নবা ওইগদবনি। অশিন অয়াক্কী চাংনা ৭.৫ দগী ৮.৫ ফাওবা ওইগবদনি। ঈশিংদা তুংদুনা লৈবা ওক্সিজেনগী চাংনা ঈশিং লিটর অমদা মিলিগ্রাম ৫ দগী ১০ ফাওবা য়াওবা ওইগদবনি।

- দরকার ওইরবদি পুখ্রিগী ঈশিংগী চাদা ২৫ অনৌবা ঈশিং শিনদোকপীগদবনি।

(৪) এপ্রিল থাদগী মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং ঃ

- মরুওইনা মচিঞ্জাক পীজবীগদবনি।

- পুখ্রিদা লৈরিবা ঙাগী অরূম্বগী চাদা ১ দগী ১.৫ নোংমদা অনীরক পীজবীগদবনি হায়বদি অয়ূক্তা অমুক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা অমুক পীজবীগদবনি।

- পেলেতেট ফিদ ঃ তাওদুনা লৈবা নৎত্রগা অরূপ্পা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবীবা য়াই। চেঙকুপকা থাউথিগা তঙ্খাই তঙ্খাই য়ানশিন্নদুনা অমদি ভিটামিন মিনরেল কিলোগ্রাম অমা কিলোগ্রাম ১০০ গী মচিঞ্জাক্তা য়ানশিন্দুনা পীজবীবসু য়াই।

- করিগুম্বা ঈশিংগী মচু য়াম্না অশংবা ওইরক্লবদি মচিঞ্জাক পীজবা লেপকদবনি

- মথক্তা পনখ্রিবা মচিঞ্জাশিং অসি পীজদ্রিঙৈদা নাপী পীজদুনা নাপী চাবীশিং মবুক থলহনগদবনি নৎত্রবদি নাপী চাবীনা অয়াম্বা মচিঞ্জাক চাথোকখিগনি।

(৫) এপ্রিল থাদগী মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং ঃ-

- মরুওইনা ঙা মপা য়াওরিবরা য়েংবা।

- অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা ঙাগী ফীভম করম তৌরি হায়বা য়েংবা।



- চাং নাইনা ঈল খোন্দুনা ঙাগী ফীভম য়েংবা।

- করিগুম্বা অশিবা ঙা থেংনরবদি লৌথোকপীগদবনি।

- অনৌবা ঙা থাদবীবা মতমদা মহিক-মতাই হাৎতোক্লবগীদমক্তা হীদাক শীজিন্নবীগদবনি।

- অনাবা ঙা য়াওরবদি তোঙান্না খন্দোক্লগা থম্বীগদবনি।

- পুখ্রিগী মথক্তা লৈবা উশা ৱাশা য়ানথৎপীগদবনি।

- ঈশিংগী মচু শংবান্নবা ওইননবা হার শীজিন্নবীগদবনি।

- ঙানা মচিঞ্জাক চারক্ত্রবদি মচিঞ্জাক থাবগী চাং হন্থবীগদবনি অমদি ঙাদু লায়না নারব্রা হায়বদু ফজনা য়েংশিনবীগদবনি।

- দরকার ওইরবদি হীরম অসিদা হৈশিংলবা মীওইশিংগা তানবীগদবনি।

(৬) জুলাই, ওক্টোবর, জানুৱারী অমসুং এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং ঃ-

- মরুওইনা ঙা খন্দোকপীবা অমদি ঙা অমুক থাদবীবা।

- থা অহুম খুদিংগী খরা হেন্না চাউবা ঙাশিং খন্দোকপীবা অমদি খন্দাকখ্রিবা ঙাগা মশীং মান্ননা অমুক থাদবীগদবনি। হায়রিবা থৌওং অসিনা চহী অমদা ঙা মচা অমুক্তং থাদবা অমদি অমুক্তদা ফাবদগী কান্নবা য়াম্না হেল্লি।

মথক্তা থমজখ্রিবা চহী অমদা পাঙথোক্কদবা থৌওংশিং অসি পাঙথোকপীরবদি ঙা য়োকপা মতমদা অসুক্কী মতিক কান্নবা ফংগনি। মরম অদুনা ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংনা মুন্না খন্থরবা মতুংদা ঙা য়োকপগী থবক পায়খৎমিন্নরসি।